# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-07-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদা থিবা হুন্থগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

২) ষ্ট্রেট ওফ হোরমুসতা জহাজ অনিদা এটেক তৌরকপা অদুবু ভারতনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

অমসুং

৩) স্পেন ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ফাইনেল চংলে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদা থিবা হুন্থগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কে. থেমজাং ভিলেদা থি হুন্থগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা এ.কে. রাইফল অমা, পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অনি, এয়ার গন অমা, আর.পি.জিগী মরু অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, আই.ই.দি মঙা, পোকখায়বা য়াবা পি.ই.কে অমা, পোম্পী অহুম, ৱায়রলেস সেট মরি, চার্জর অনি, বুল্লেট প্রুফ জেকেট মরি অমদি কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরুগী তোকিং ৪৪ ফংলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা গোথোল ভিলেজগী উমংগী শরুকশিং থিবা হুন্থগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, কাপথোকখ্রবা

নোংমৈ মরুগী তোকিং ২৫, নোংমৈ মরু ৯, বাইনোকুলর অমা, নাইন এম.এমগী মেগজিন অনি, ৱায়ারলেস সেট অহুম অমদি হেলমেটনচিংবা ফংলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শেনখায় থুমখায় তৌবা অমদি আইন্না য়াদবা থবক তৌবা মীওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা উয়ুমপোক মমাং লৈকাইদগী মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ঙরাং ফারে। মঙোনদগী এ.কে. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা অমসুং এ.কে. ফিফতিসিক্স রাইফলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৭ ফংলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লাংজিং অচৌবদগী কে.সি.পি (নোংদ্রেন খোম্বা) কাংলুপকী মীওই অমা ফারে। মহাক শিংজমৈ ৱাংম ভৈগ্যবতি লৈকাদগীনি। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ থন্না য়াওরবা গানি ৫৮১ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল্লোমদা পুথোরকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোই অঙাম য়াওদনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়ানবা সেক্যুরিতিগী কনভোই মরাং কায়না থমলে।

কাং (এল)ঃ মণিপুরদা রথ যাত্রা, কাং চিংবগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা কাং চিংদুনা হৌদোক্কনি। মদুগী তুংদা লৈকাই লৈকাইদসু কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা কাং চিংবগী থৌরমগী মীৎনা উবা পাউদম অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মীৎনা উবা পাউদম অসি অকাশবানি ইম্ফালগী কংলা অমদি শঙাই চেন্নেল অনিমক্তা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ দগী পুং অনিমখায় ফাওবা শন্দোক্কনি।

জৈসৱাল ঃ আমেরিকা অমসুং ইরান লৈবাক অনিগী মরক্তা নৌনা উংখৎনবা হেনগৎলকপা অমসুং জহাজশিংদা এটেক চত্থরক্লিবা অদু য়েংলগা নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং নিউ দিল্লিনা কুপা য়েংশিল্লি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈসৱালনা হায়- ষ্ট্রেট ওফ হোরমুসতা অশোই অঙাম থোকহন্দনা জহাজ চৎপা য়াহনগদবনি হায়বা ভারতকী ফিরেপ নৌহৌননা খঙহনখ্রে। এম.টি. অল ভায়া অমসুং এম.টি. মোম্বাসা জহাজ অনিদা এটেক তৌরকপা অদু ভারতনা য়ামা হকচিন্না লৌই হায়বা ৱাফম নিউ দিল্লিনা ফোংদোকখ্রে। জহাজ অনি অদুদা ভারতকী মীচম ৩০ অমসুং ক্রু মেম্বর পুন্না ৪৬ তোংখিবনি। জহাজ অনি অদুদা এটেক তৌরকখিবা অদুগা মরী লৈননা ইরানগী এম্বেসিদা মথৌ তৌরিবা দিপ্যুতি চীফ মিসন নিউ দিল্লিদা কৌরে।

ব্রিক্স ঃ ব্রিক্স লৈবাকশিংগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রিশিংগী ১২ শুবা মীফম ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা হাইদ্রবাদতা ঙসিদগী হৌরগনি। বিল্ডিং ফোর রিজিলিয়েন্স, ইনোভেসন, কোওপরেসন এন্দ সষ্টেনেবিলিতি হায়বা হিরমদা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রিশিং অমদি মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা সভাপতি ওইগনি। মীফম অদুদা মরুওইনা খন্নগদবা হিরমশিংদি- সোসিয়েল সেক্যুরিতি নিংথিনা লৈহনবা, লেবর মার্কেটশিং হাংদোকপা, নুপীশিং শরুক য়াবা হেনগৎহনবা অমদি থবক শুফম মতিক চানা লৈহনবনি।

মীফম অদুদা ইমপ্লোইমেন্ট ৱার্কিং গ্রুপনা শেম্বা দ্রাফট দিক্লরেসন অমসু পুথোক্কুনা খন্নগনি। মসিনা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী লল্লোন ঈতিক্কী থৌশিল, থবক শুবগী মওং মতৌ অমদি অতৈ হিরম কয়াদা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লৈবাকশিং অসিগী লল্লোন ঈতিক্কী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়রি।

পঞ্জাব ঃ পঞ্জাব সরকারনা ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা অমসুং লল্লোনবা মীওইশিংগী পুন্না লুপা কোতি ৮৪৭ কী মমল ওইগদবা য়ুম-কৈ অমদি লন-থুমশিং থুগাইদুনা মাংহনখ্রে।

রাজ্য অদুদা ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা মীওই লিশিং ৭৩ ফাগৎলে। রাজ্য সরকারনা ড্রগ লান্না শিজিন্নবা থিংনবা নুমিৎ ৫০০ নি চুপা চথখিবা অখন্নবা কেম্পেন অমদা মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। কেম্পেন অদু পাঙথোকপগী মতাংদা পাউশিংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লদুনা রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডাঃ বলবির সিংহনা হায়- কেম্পেন অসিবু মীচম মীয়ামা নিংথিনা শৌগৎখি অমদি ড্রগ পুথোক পুশিন তৌরে হায়বগী চিংনবা খুদিংমক মীয়ামা পুলিসতা পাউ পীরকখি। মসিনা মরম ওইদুনা নুমিৎ ৫০০ নি অসিদা ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা মীওই লিশিং ৭৩ ফাগৎপা ঙমখিবনি। ডাঃ বলবিরনা হায়- হৌখিবা চহি মরি অসিদা রাজ্য অদুদা হিরোইন কিলোগ্রাম লিশিং ৬,৬০০ ফাগৎপা ঙমখি।

ইসি ঃ হরিয়ানা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশতা হৌজিক চথরিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা নুমিৎ ১০ নি অমগা শাংদোকখ্রে। ইলেক্সন কম্মিসনগী অনৌবা সেদ্যুল অসিগী মতুংইন্না বুথ লেবেল ওফিসার (বি.এল.ও)শিং অমসুং বি.এল.এশিংনা থা অসিগী ২৪ ফাওবা য়ুম য়ুম চংদুনা মথৌ তৌবা য়ারগনি। মসি হান্নদি ঙরাং লোইরে হায়রম্বনি। রাজ্য অনি অসিগী ওইনা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল ওক্তোবর ৩ দা ফোংগনি।

ফিফাঃ স্পেন ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ফাইনেল চংলে। হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা স্পেননা ফ্রান্সপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা আরজেন্তিনাগা ইংলেন্দগা অটলান্টা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

অহুমসুবা মফমগীনা জ্লাই ১৯ দা শান্নগনি। অদুগা ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২০ দা শান্নগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬-২৭ তা শরুক য়ানবগীদমক কোচিং কম ত্রাইয়েলগীদমক পুন্না শান্নরোই ৮৭ খল্লে। খল্লবা শান্নরোইশিং অদুগী মনুংদা- দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংদগী ৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনদগী ৬, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালদগী ২, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন মোইরাংদগী ৩, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরদগী ১০, মণিপুর য়ুনাইতেদ ফুটবোল একাদমিদগী ৪, শগোলবন্দ য়ুনাইতেদকী ১, ইষ্ট কংলৈপাক ফুটবোল একাদমি শৈজাংদগী ৩, বালানন্দ ফুটবোল একাদমি নাচৌদগী ৪, খুমন ফুটবোল একাদমিদগী ৩, ইবোচৌবা ফুটবোল একাদমি ৱাংঙুদগী ৪, মৈরা ফুটবোল কোচিং সেন্তর ৱাংজিংদগী ২, নোর্থ ইষ্টর্ন রিওর্গনাইজিং কলচর এসোসিয়েসন ফুটবোল ক্লবতগী ৪, পাথ ৱেজ এম্পৱারমেন্ট ফুটবোল একাদমি নিউ কানানদগী ৪, কোন্থা অহল্লুপ ফুটবোল একাদমিদগী ৪ য়াওরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কেবিনেটনা ষ্টেট ক্লাইতেম সেন্তর হাংদোকপগী ৱারেপ, অসাম রাইফলসতা চথখিবা এম্মুসতা চেন্নবা মীওই ফাগৎখিবা অমদি রিং রোড প্রোজেক্ট থিন্থগদৌরি হায়বা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফম পাউচেদা- কেবিনেটনা ষ্টেট ক্লাইমেত সেন্তর হাংদোকবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অসাম রাইফলসতা চথখিবা এম্মুসতা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। পুং ২৪ গী মনুংদা থাদোক্ত্রবদি খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা তাঙ্খুল নাগালোংগী ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা

ফোংলি। সেনাপতিদা নাগা লুপশিং ৰা খন্নখ্রে, ল্লোকেদতি হন্দোক্লোইদৌরি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

বি.জে.পিগী এম.এল.এ- রাধেশ্যাম অমসুং রঞ্জনবু লৈঙাক্কী ৰাঙাংলোইশিং ওইনা হাপখ্রে হায়বা পাউ অমসুং সেনাপতিগী ওকলোং খুলদা লৈবা এন.এস.সি.এন (আই.এম) কেম্প অমা অসাম রাইফলসনা কোইশিল্লে হায়বা ৰাহৌদগী অচৌবা ইরাং হৌরকখ্রে হায়বা পাউশিংনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুরদগী য়াল্লবা খুৎলায় ফাগৎখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা ৱার্ল্ড পোপুলেসন ডে পালন তৌখিবা অমদি মণিপুরগী অপুনবা মীশিং লাখ ৩৩ ওইরমগনি হায়বা ফেমিলি ৱেলফ্যার বিভাগনা ফোংদোকখিবগী পাউ অমা একনকর কলমদা ফোংলি।

ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈদা জিও স্পেটেল মেপ্পিংগী মতাংদা কেন্দ্র রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুকি লুচিংবশিংগী ফাখিবগী মায়োক্তা কাংপোকপীদা প্রোটেষ্ট চথখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুর সরকারনা এম.এল.এ অনি স্পোক্স পাসর্ন ওইনা খল্লে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা দি.এ- দি.আর অমদি অতোপ্পা সার্ভিসেসকী মতাংদা চথরিবা খোঙজং হেন্না কনশিনখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- নাসাগী মীৎয়েং মখাদা ভারতকী এষ্ট্রোনোট অনিল মেনোন থা ৮ ইন্তরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা চৎলগনি হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------